WAYEL KATI Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

Vol. 1, Issue 329 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং-৩৪২৩ | ইঙাগী ৯ নি পানবা নোংমাইজিং, মে ২৪ , ২০২৬ ইং | মমল লুপা ২।-

## নার্কো টেরোরিষ্টশিংগী মখূৎতগী মণিপুর কন্নবা কোকোমিনা শীন্দুনা বাইক রেল্লি চংখ্রে

# দ্রগ লল্লোনবদগী ফংলকপা শেনফমনা মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিংদা লান চত্থরেঃ ৱাই কে ধিরেন

**ইম্ফাল মে ২৪(ৱায়েল কাতি)ঃ** নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা দ্রগ লল্লোনবদগী ফংলকপা শেনফম অদুনা মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিংদা চত্থরক্লিবা লান অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না ঐখোয় মশেলগী মরক্তা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি চত্থরি হায়না কোকোমিগী কনভেনর ৱাই কে ধিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

বাইকর লিশিং অমগী মথক্তা শরুক য়াদুনা কোকোমি ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টনা শীন্দুনা ঙসি অয়ূক সেকমাইদগী লমথরকখিবা বাইক রেল্লি অমগা মরী লৈননা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

বাইক রেল্লি অদু ঙসি অয়ূক পুং ৯ঃ২০ রোম তাবা অদুৱাইদা হৌরগা কোইরেঙ্গৈ, চীংমৈরোং, থাংমৈবন্দ, নাগামপাল লম্বী, কৈশাম্পাৎ টিদিম লম্বীদা লাক্তুনা মোইরাং, কুম্বী ফাওদুনা ককচিং খুন্নৌ, ৱাবগাই, ককচিং লমখায়, থৌবাল লম্বী, শিংজমৈ কোংবা রোদ, অয়াংপল্লি রোদ, খুরাই লল্লোং অমদি আই এস বি টি লম্বীদা লাক্তুনা খুমন লম্পাক্তা পন্থুংফম ওইখি।

রেল্লি অদুগা মরী লৈননা কোকোমিগী কনভেনর ৱাই কে ধিরেননা হায়, হৌজিক চিন-কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা দ্রগ লল্লোন্দুনা মদুদগী ফংলকপা শেনফম অদুনা লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মথক্তা চত্থরক্লিবা লান অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না ঐখোয় মশেলগী মরক্তা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি চত্থরি হায়বসি ময়েক শেংলবা ৱাফমনি। দ্রগনা লমদম অসিগী নহাশিংদা পীরিবা চৈথেং অসি তরাইনা লৌবা য়ারোই। দ্রগ হায়বসিনা কাঙলূপ ফুরুপ খায়দনা ভিক্তিম ওইহল্লক্তুনা খূন্নাই অসি লৈখা তাহল্লগনি। ঙসি কোকোমি ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসি খূন্নাই অসিগী ওইনা চেকশিন ফিরেপ অমনি হায়খি।


মহাক্না মখা তানা হায়, নার্কো ফন্দিং শীজিন্নদুনা চিন-কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা চত্থরক্লিবা লান অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না খূদক্তা থিংগদবনি। নার্কো টেরোরিষ্টশিংগী মায়কৈদা ইন্দিয়ানা তোংশিন্দুনা মরাল লৈজদবা মীয়ামদা অৱা চৈথেং পীরিবা অসি খূদক্তা লেপকদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

বাইক রেল্লি অদুগা মরী লৈননা কোকোমি ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টকী কনভেনর লুক্রাম মালংবনা হায়, চিন-কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা ফুরুপচাশিং মরূ ফুক্না মুথৎনবগী পান্দমদা মৈতৈশিংগী মথক্তা চত্থরক্লিবা অফোঙবা লান অদুগী মায়োক্তা ফ্রন্ট অসিনা বাইক রেল্লি অসি শিনবনি। কুকিশিংনা চত্থরক্লিবা লান অসিদা মীচম কয়া অমা থৰায়না পোন্থা পীখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না কুকিশিংগী মায়কৈদা তোংশিন্দুনা করিগুম্বা অমত্তা খঙশিন-উশিন্নদনা লৈথোক্লিবা অসি পেন্নিংঙাই ওইদে। হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না অরোনবা এজেন্দা অমগা লোয়ননা চত্থরকপা লাল্লোং অমনি হায়বসি ময়েক শেংলবা ৱাফমনি। ঈরাং অসি গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা লোইশিনগে হায়বা মতমদা অদুমক লোইশিনবা য়ারবনি। অদুবু ঈরাং অসি অসুম শাংথহন্দুনা মীশি-মীনা লেপ্তনা থোকহল্লিবা অসিগী মরুমদা করি করন্থা এজেন্দা লৈবগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। লান অসি হৌরকপদা কুকিশিংনা মৈতৈগী মথক্তা চত্থরকখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইরিবা তাঙ্খুলশিংদা অমুক ওনশিন্দুনা তাঙ্খুল মীচমশিংগী মথক্তা মীফা-মীপূন অমদি মীহাৎ চত্থরক্লি হায়খি।




## লিহ্মোইঙম্বী, হেমাঞ্জিৎ হাৎপদা চেন্নবা নোকজাগিং ঙরাং সি বি আইনা ফারে

**ইম্ফাল মে ২৪ (ৱায়েল কাতি)ঃ** চহী য়াম্না নৌরিবা লিহ্মোইঙম্বা হিজম অমদি ফিজম হেমাঞ্জিৎপু কুমজা ২০২৩গী জুলাই ৬ কুকি টেরোরিষ্টশিংনা লম্বীদগী ফাখ্রবা তুংদা হাৎতোকখ্রে হায়না লৌনরিবা কেসতা ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা য়ু কে এন এগী মেজর নোকজাগিং এলাইজ তাইগর ঙরাং চুড়াচান্দপুরগী মফম অমদগী সি বি আইনা ফারবা তুংদা ঙরাংমক গুৱাহাতিদা পুখ্রে।



থৌদোক অদুগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা চুড়াচান্দপুরগী মফম কয়ামরুমদা ঙরাং থি-হুম্বগী থবক চত্থবদা য়ু কে এন এগী কাদর ৩ খূৎলায়গা কোন্ননা ফাখি। মখোয়না ফাবদুদা হান্নদগী হৌনা লিহ্মোইঙম্বী অমসুং হেমাঞ্জিৎ হাৎখিবগা মরী লৈননা সি বি আইনা কেস লৌখৎতুনা ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা নোকজাগিং এলাইজ তাইগর য়াওরম্বনি। মহাক ফারে হায়বা পাউ অদু খূদক্তা মথং মথং পীনরকপদগী সি বি আইগী টিম অমনা মহাকপু ঙরাং ইম্ফালদা পুরক্লবা মতুংদা নুমিদাংৱাইরম বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেশ্নেল এয়রপোর্টতগী গুৱাহাতি তম্না পুখিবনি। মহাক সি বি আইনা লৌখৎপা লিহ্মোইঙম্বী অমসুং হেমাঞ্জিৎ হাৎপগী কেসকা মরী লৈননা মীওই ৫গী মমিং মশক খঙদোকপদা মহাকসু য়াওরিবনি। মহাক ফারবনিনা লিহ্মোইঙম্বী অমসুং হেমাঞ্জিৎ হাৎখিবগী নহানমখৈ খঙবা ঙমদবা অরোনবা খরা খঙলবা য়াই হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, সি বি আইগী কষ্টদিদা লৈরবা মেজর নোকজাগিং এলাইজ তাইগর কুমজা ২০২৪দা কে এন এগী দেপ্যুতি কম্মান্দর ইন চীফ থম্পিগা লোয়ননা লূপ অসিগী কাদর ৩ এম্বুস তৌদুনা হাৎপগী কেসতসু চেন্নরিবনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২৩গী জুলাই ৬তগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবা তাকয়েল কোলোম লৈকায়দগী ফিজম হেমাঞ্জিৎ অমসুং শগোলবন্দ তেরা তোংব্রম লৈকায়দগী লিহ্মোইঙম্বী হিজম হাৎখিবগী ফোটোগ্রাফশিং সোসিয়েল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখিবনি।

## লাইরিক ফোঙখ্রে

**ইম্ফাল মে ২৪ (ৱায়েল কাতি)ঃ** রাইটরস ফোরম, ইম্ফালনা মণিপুরী খোরিরোল অমদি লোলবু চাউখৎননবা অমসুং খঙহন্নবগী চত্থরক্লিবা খোঙচৎকী শরুক অমা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা নবকুমার নোংমৈকাপ্পমনা ইবা ৱারীমচাগী লাইরিক ' খোইরা' ফেরম অসিগী ২৬৩ শুবা লাইরিক ওইনা অমসুং ফোরমনা থা ৩। ৩ খূদিংগী পুথোকপা চেফোঙ সাহিত্যগী পাউগী ১৩২ শুবা মশিং ফোঙখ্রে।

## ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে

**ইম্ফাল মে ২৪(ৱায়েল কাতি)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা লোইতাং খুন্নৌ কম্যুনিতি হোলদা কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর নুপী লূপনা শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা লোইতাং খুন্নৌ, মোইবুং খুন্নৌ, খুরখুল অমদি শেঞ্জম চাকপ্রৌগী ইমা কয়ানা শরুক য়াখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা সোসাসিয়েল এক্তিভিষ্ট থিঙুজম বিজেন অমদি নুপী সমাজকী সেক্রেটরি সোবিতা না ৱা ঙাংখি। লোয়ননা কোকোমিগী মায়কৈদগী নাওরেম মহেন্দ্র অমদি এম জয়না হৌজিক মণিপুর মীয়ামগী মথক্তা চত্থরক্লিবা খূৎশেমগী প্রোক্সি ৱার অসিগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল থমখি।

## ত্রান্সফার তৌখ্রে

**ইম্ফাল মে ২৪(ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস (পার্সনেল দিভিজন)না থা ২৪দা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না আই এ এস ওফিসার ৪ ত্রান্সফার তৌখ্রে। মখোয় অদুদি, জিরিবামগী দি সি শ্রী কৃষ্ণকুমার আই এস এনা চুড়াচান্দপুরগী দিসি, সেনাপতিগী দি সি মমোনি দোলে আই এ এসনা জোইন্ট সেক্রেটরি ( হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার) এন্দ পিদি, মেক্স, চুড়াচান্দপুরগী দিসি ধরুন কুমার আই এ এসনা সেনাপতিগী দি সি অমসুং এস দি ও ৱাইখোং এন্দ বি দি ও লাংমৈদোং আর্বিন্দ হংলেম আই এ এসনা জিরিবামগী দিসি ওইরগনি হায়রি।

## চাবা য়োনবা থিংলে

**ইম্ফাল মে ২৪(ৱায়েল কাতি)ঃ** কাইরং খোমিদোক খাবৈশোয়দা লৈবা য়ুনাইটেদ কম্মিটিতা লূপ ৪গী ওইবা মীফম অমা ফমদুনা লূপ ৪ অসিনা কোল্লিবা মফমশিংদা ময়ায় কাবা চিঙ্গাক চাবা অমদি য়োনবা থিংলে হায়না য়ুনাইটেদ কম্মিটি কাইরং খোমিদোক খাবৈশোয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## গ্রেদিং সিষ্টেম চংনরগনি

**ইম্ফাল মে ২৪(ৱায়েল কাতি)ঃ** ২০২৭দগী কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস এলেভেন অমসুং ক্লাস টুয়েল্বকী একজামদা রিলেটিভ গ্রেদিং সিষ্টেম চংনবা হৌরগনি হায়না কাউন্সিল অসিগী সেক্রেটরি কে ঐচ অশিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ওথ টেক্কিং

**ইম্ফাল মে ২৪(ৱায়েল কাতি)ঃ** ওল মৈতৈ পাঙল য়ূঠ এসোসিয়েসননা ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমদি ক্বাক্তা গ্রাম পঞ্চায়েটকী মনুংদা লৈবা অমদি ক্বাক্তা লৈবা স্কুলশিংদা তম্বা মহৈরোইশিংনাদা ২রকশুবা ওইনা ক্লাস তেন অমসুং টুয়েল্ব একজামদা মার্ক ৱাংনা ফংদুনা মায় পাক্লবা মহৈরোইশিংনা মনা মথুম য়েন্থোকখ্রে। লোয়ননা লূপ অসিগী অনৌবা মশা লোইশঙশিং হাংদোক্তুনা ওথ টেক্কিং তৌখ্রে।

### — মপাল্লমগী পাউ —

## রসিয়ানা কিভতা মিসাইল অমসুং দ্রোন এটেক চত্থবদা মীওই মরি শিরে

**কিভ, মে ২৪ (ৱায়েল কাতি) ঃ** য়ুক্রেনগী কোনুং কিভতা ঙসি রসিয়ানা মিসাইল অমসুং দ্রোন কয়া কাপশিন্দুনা এটেক চত্থবদা মীওই ৪ শিরে, অতোপ্পা কয়ামরুমনা অশোক-অপন নংলে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। হাইপরসোনিক বোলিষ্টিক মিসাইল এটেক চত্থরকপা য়াই হায়না য়ুক্রেন এয়রফোর্সনা চেকশিন-ৱারোল পীখ্রবা মতুংদা রসিয়ানা এটেক তৌরকখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা কিভকী মেয়র ভিটালি ক্লিটকো হায়, রসিয়াগী এটেক্তা মীওই ২ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৫৬ হেন্না অশোক-অপন নংলে। পুৱারীগা মরী লৈনবা সিতি অসিগী ইন্দিপেন্দেন্স স্কৱারগী শরুক খরা অমাঙ-অতা থোক্লে। এটেক চত্থরকখিবা মফমদা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মী কন্নবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক পায়খৎপগা লোয়ননা অতেক-অকায়শিং শেংদোকপা হোৎনরি। মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিং খূদোংথিবা নংদনবা সিতিগী মেট্রো ষ্টেসনদা চঙজফম লৌদুনা লৈখি। সিতি অদুগী মিলিটরি এদমিনিষ্ট্রেসনগা হায়, তোঙান তোঙানবা মফম ৪০ রোম হেনবদা রসিয়ানা মিসাইল অমসুং দ্রোন কাপশিল্লক্তুনা এটেক তৌরকখি হায়রি।

## ক্বেটাগী রেলৱে ট্রেক মনাক্তা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ২৪ শিরে

**ইস্লামাবাদ, মে ২৪(ৱায়েল কাতি) ঃ** পাকিস্তানগী ক্বেটাদা লৈবা রেলৱে ট্রেক অমগী মনাক্তা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ২৪ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা কয়ামরুম অশোক-অপন নংখ্রে। চমনফাটপ মনাক্তা ত্রেন অমা থুংলখিবগা মপা চান্ননা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা ত্রেনগী কোচ কয়া মৈ চাকখৎলকপগা লোয়ননা মনাক নকপদা লৈরিবা য়ূম অমদি গাড়ীশিং অমাঙ-অতা থোকখি। ত্রেন অদুসু টলিদগী নাম্থোকখিবনা মী শিবগী চাং হেঙ্গৎলকপনি হায়রি। লোকেল পুলিসকী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, লোনা থিংখ্রবা বেলোচ লিবরেসন আর্মি (বি এল এ)না পাকিস্তানগী মিলিটরি পার্সনেলশিংদা অতম্না টার্গেট তৌরগা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকহনখিবনি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা ফিভম থিনা শোক্লবা মীওই ৩০ রোম হেন্না ক্বেটাগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা পুখৎলকখি। বোম পোকখায়বদা লৈখিদ্রবা অমসুং অশোক-অপন নংলবশিংগী মরক্তা আর্মি পার্সনেল কয়া য়াওরি হায়রি।

## এম টি য়ুগী এক্সটেন্সন সেন্টর সি এমনা য়েংশিনখ্রে

**ইম্ফাল মার্চ ২৪ (ৱায়েল কাতি) ঃ** থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী হৈরোক্তাক মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি (এম টি য়ু)গী এক্সটেন্সন কেম্পস শাগৎপগী থবক থৌরমশিং চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা হৈরোক এসিগী এম এল এ ডা. থোকচোম রাধেশ্যাম, এম টি য়ুগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোঃ দব্লিউ চান্দবাবু অমদি কম্মিস্নার এদুকেসন নিংথৌজম জিওফ্রিসু লোইনখি। অহানবদা হান্নগী মফম অদুদা এম টি য়ুগী মখাদা হৈরোক ইঞ্জিনিয়ারিং কোলেজ শানবা থৌরাং লৌখৎলম্বনি। অদুবু অকোনবদা এম টি য়ুগী এক্সটেন্সন কেম্পস ওহৌরবা থৌরাং লৌখৎলকখি। য়েংশিন-খোঙচৎ অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা কেম্পস অদুগা নেস্নেল হায়ৱে ১০২ ইম্ফাল- মোরে লম্বীগা শম্নরিবা কিমি ৬ শাংবা লম্বীগী শরুক অদু কোইলাস থানবা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী চীফ ইঞ্জিনিয়রদা খঙহনখি। এক্সটেন্সন কেম্পস অসিগী অকোয়বদা ৱাল নিংথিনা খাগৎপগা লোয়ননা দ্রেন শেমজিন্নবা অমসুং কেম্পস মনুংদা ফুটপাথ মতিক চানা লৈহন্নবসু চীফ মিনিষ্টরনা পি দব্লিউ দিগী মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি। এম টি য়ুগী ভাইস চান্সেল্লরনা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই নৎত্রগা ওগষ্ট থাদগী এক্সটেন্সন কেম্পসতা একাদেমিক সেসন হৌবা য়াহন্নবগী ৱাফম সিএমদা পুখৎলকখি। তুংদা চীফ মিনিষ্টরনা হৌজিক হৌজিক মতম খরগী ওইনা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী বিল্ডিং অমদা মথৌ তৌরিবা জৱাহর নবোদিয়র বিদ্যালায়াগী ফিভম য়েংশিনখি। হৈরোক্তা লৈবা কম্যুনিতি হেল্থ সেন্টরদা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা অনা-লায়েংগা মরী লৈনবা মরী ফিসিলিতিশিংসু য়েংশিনখি।



## মীলালগী প্রসিদেন্ট ডাঃ ৱাইখোম গোজেন লৈখিদ্রে, লূপ কয়ানা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল মে ২৪ (ৱায়েল কাতি) ঃ** মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোল অপূনবা লূপ (মীলাল)গী লুচিংপুরেল পদ্মশ্রী ডাঃ ৱাইখোম গোজেন মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা ঙরাং নুমিদাং পুং ৬ঃ৩০ রোম তারকপদা রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে। লোয়ননা ঙসি অয়ূক মহাক্কী হকচাং মশাগী পোক্লফম ওইরিবা সেক্তদা মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা লৈরোল চনখ্রে। হেরিকোন য়াওনা লূপ কয়ানা অৱাবা ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্না লৈখিদবদা মীলালগী থৌপুবা অমদি থৌমীশিংনা লূপ অসিগী ওফিসতা ঙসি লৈ-শু কৎতুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না তৌরমখিবা থবক কয়া অদুবু ইকাই খূম্নবা উৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মীলালগী পাউতাক্লোই। শাদোকপম তোম্বা মঙাং, ঙমথাং লূচিংপুরেল নোংমাইলেম্বী, থৌপুরেল পাউনম থাকাবনা হায়, মতম শাংনা লমদম অসিগী হিরম কয়াদা থবক তৌরক্লবা ৱাইখোম গোজেননা লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা ওইহৌরগনি। লোল ময়েক চাউখৎহন্নবতা নত্তনা কোলকাতাদা লৈরিবা মণিপুর ভবনসি শান্নবা হোৎনবদা লম কনবনচিংবশিংদা য়াওরমখি।

নাকল অমরোমদা ৱাখল্লোন মান্নবা অপূনবা (ৱামা) কংলৈপাক্লসু ৱাইখোম গোজেন্না লৈখিদবদা পান্দম পাউচেগী ওফিসতা ৱামাগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম নাওখম্বা, সেক্রেটরি নিংথৌজম দেবেশ্বর য়াওনা অসিগী থৌমীশিংনা শরুক য়াদুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

## নাগাশিংনা হয়েং ইম্ফালদা রেল্লি চংকদৌরি

**ইম্ফাল মে ২৪ (ৱায়েল কাতি)ঃ** কুকি মিলিটেন্টশিংনা নাগা মীচম ৬ ফাজিনখিবগী মায়োক্তা হয়েং নাগা পিপলস য়ুনিয়ন ইম্ফাল (এন পি য়ু আই) অমসুং ইম্ফাল নাগা বিজিনেস এসোসিয়েসন (আই এন বি এ)না ইম্ফালদা পাক শন্না ঈং তপ্পা মফমদা প্রোটেষ্ট রেল্লি চংকদৌরি। রেল্লি অসিগী শরুক অমা ওইনা নাগাশিংনা চল্লাইবা লল্লোন ইতিক তৌফম পূন্নমক থোঙ লোনগনি। এন পি য়ু আইনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, হয়েং অয়ূক পুং ১০ তাবদগী রেল্লি চৎপা হৌরগা লৈলোন বাইফেন্দা মীচম ৬ ফাজিনখিবগী মতাংদা মেমোরেন্দম অমা লৈঙাক্তা পীশিনগনি হায়রি।

## লৈঙাক্না অহেনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু

**ইম্ফাল মে ২৪ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ৱেষ্ট পিকরশিংদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা অহেনবা মতেং পাংবীবা দরকার ওইরে। লোয়ননা প্লাষ্টিক পোলুসন হন্থহন্নবা মীয়াম পূন্না হোৎমিন্ননবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না ইকো নেটৱার্ক মণিপুরগী প্রসিদেন্ট শিন্থাঙম্বা লাইশ্রমনা ফোঙদোরক্লি। ৱাফম ঙসি ৪৫শুবা প্লাষ্টিক বোট্টল অমদি অতৈ প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং রিসাইকল তৌনবা প্লাষ্টিক পোলুসন হন্থহন্নবা লূপ অসিনা তোঙান তোঙানবা এস ঐচ জিশিংনা খোমজিল্লকপা প্লাষ্টিকক্কী পোৎলমশিং কল্লেক্সন তৌবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

## জোব কার্দকী ফন্দ লান্না শীজিন্নখিবগী মতাংদা নুমিৎ নিনিগী মনুংদা শেংদোক্কদবনি

**ইম্ফাল মে ২৪ (ৱায়েল কাতি) ঃ** হিয়াংথাং ব্লোক্কী মখাদা লৈবা কোদোংপোকপী গ্রাম পঞ্চায়েটকী জোব কার্দ হোল্ডরশিংদা মতম চানা শেল ফংহন্দবগা লোয়ননা ফন্দ লান্না শীজিন্নখিবগী পঞ্চায়েটকী অসিগী প্রধান অমদি মেম্বরশিংনা নুমিৎ নিনিগী মনুংদা লৈবাক মীয়াম অমদি পার্টিদা শেংদোরক্কদবনি হায়না কে সি পি (পি দব্লিউ জি) এম সি য়ুনিফিকেসনগী পি আর ও চিঙ্খোঙানবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মতম শাংনা মীয়াম মরক্তা লৈরম্বা অমোৎপশিং লূপ অসিনা ঙসি ফাওবা শেংদোক্তুনা লাক্লি। মীয়ামগী থৌগল তৌবগী মিংদা ফন্দ লান্না শীজিন্নবগী থৌওং অদুদি তৌদনবা কয়ারক হন্না খঙহন্দুনা লাক্লি। অরানবা থৌওং চত্থরকপা মীওইশিং পার্টিনা য়েংদুনা লৈথোকপা ঙম্লোই। পার্টিগী চৎন-কাঙলোন মতুং ইন্না লৌফম থোকপা থৌদাং লৌগনি হায়বসি লূপকী অচেৎপা ফিরেপনি। ঙসি ফাওবা মীয়াম্না থাগৎখিবা মীহুৎ অয়াম্বনা চাউখৎপা কংলৈপাক অমা শেমগৎপগী মহুৎতা লাইরবা খূন্নাই ওন্থোক্তুনা অরানবা থৌওং চত্থরক্লিবসি পার্টিনা য়েংদুনা অমদি খাঙদুনা লৈথোকপা ঙম্লোই। লৈঙাক্না পীরিবা মীয়ামগী খূদোংচাবশিং লন্নাইগী ওন্থোকপসি পার্টিনা য়াবা ঙম্লোই হায়রি।

## পূন্না থেংনমিন্নবা, চাওখৎমিন্নবা নত্তনা ঐখোয়গী লম্বী অমা লৈতে

**ইম্ফাল মে ২৪ (ৱায়েল কাতি) ঃ** মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিগী ৱারোইশিন পীয়ু হায়বগী দিমান্দদা ঙসি মণিপুর সেন্ট্রেল য়ূঠ ক্লবস অমদি কৈশাম্পাৎ কৈশাম লৈকায় মৈরা পায়বীশিংনা শীন্দুনা কৈশাম্পাৎ লাইরেম্বী কম্যুনিতি হোলদা সিট ইন প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

ঙসিগী সিট ইন প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা হায়, অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মথৌ তৌবগী মহুৎ মীয়ামবু চমন্নহল্লে। 'সূ' অমদি নন-সূশিংবু মনিং তৌহন্দুনা মণিপুর মনুংগী নুংশি চান্ননা হিংলক্লিবা কাঙলূপ ফুরুপশিং অসিবু খাইবুং খাইবুং থল্লগা হাৎনহল্লে। লমদম অসিদা কাঙলূপ ফুরুপ নাইবা রাজনিতি তৌনদুনা ফুরুপ কাঙলূপশিং তোখায় তোখায় থম্নবা হোৎনরে। মরম অদুনা অসিগুম্লবা পূন্না হিংমিন্নরিবা ইন্দিজিনস পিপলশিং ঐখোয়না অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা থেংনমিন্নবগী মতম ওইরে। পূন্না হিংমিন্নবা, পূন্না থেংনমিন্নবা পূন্না চাউখৎমিন্নবা হায়বসি নত্তনা ঐখোয়গী লম্বী অমা লৈতে হায়বসি হিংমিন্নরক্লিবা কাঙলূপ ফুরুপশিং ঐখোয়না খঙমিন্নদুনা অপূনববু কায়হল্লক্লিবা অসিসু থেংনবা মথৌ তাই ফোঙদোক্লখি।

## কবোকং হৌজিল্লকপনা লম্ফেলপাৎ হিঙ্গৎহন্নবা থৌরাং মহয় য়াল্লোইদৌরে


**ইম্ফাল মে ২৪(ৱায়েল কাতি) ঃ** পাক্তক্লনা কবোকং হৌজিল্লকপনা মরম ওইরগা লম্ফেলপাৎ হিঙ্গৎহন্নবা থৌরাং মহয় য়াল্লোইদবগী ফিভমদা লৈরে।

নাপু মচুগী লৈ শাৎপা অমসুং য়েংবদা ফজবা কবোকং হৌগৎলকপনা অয়েংবা মীগী পূক্নিং শুক্মৎপা তারবসু ৱেটলেন্দগী ইকোলোজিকেল বেলেন্স কায়হল্লক্কদবা মরমনা লোক্তাকপাৎ হিঙ্গৎহন্নবা থৌরাংদা খূৱৌ থাংলগনি হায়না ইনভাইরনমেন্টেল এক্সপার্ট অমদি রিসার্চরশিংনা নুংনাংবা ফোঙদোক্লি।

লম্ফেলপাৎকী মফম কয়াদা কবোকং মরাং কায়না হৌজিল্লকপনা নুমিৎকী মঙালনা ঈশিং মনুংদা হৌবা পান্থীশিং য়ৌবা ঙমদবদগী ঈশিংদা য়াওবা ওক্সিজেনগী চাং হন্থহল্লকই অমসুং ফোটোসেন্থেসিস তৌদবনা ঈশিংদা হৌবা পান্থী মখলশিং হিংবা ঙমদবগী ফিভমদা লাক্লে। কবোকং অসি পূমথরক্লবা মতমদা ওক্সিজেনগী শরুক পূন্নমক চূপশিনখিবা মরমনা ঈশিংদা থৱায় পানবা অমত্তা লৈবা ঙমহন্দে। মসিগীসু মথক্তা পাৎ অসি থেনগৎহন্দুনা য়াম্না মরু ওইনা ৱেটলেন্দ অসিদা ঈশিং লৈবগী চাং হন্থহল্লি। অমুক্কা হেন্না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবদি, পাৎ অসিদা পাক-শন্না হৌগৎলক্লিবা কবোকং পান্থীশিং পোত্থা-পুমথরক্লগা কাঙ মরূম কোকফম ওইদুনা দেঙ্গি অমদি অতৈ কাঙনা শন্দোকপা ভেক্তর বোর্ন দিজিজ মখল কয়া অকোয়বদা শন্দোরকপা য়াই হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি।

লোক্তাক পাৎকী মফম অয়াম্বদা থুংনা কবোকং হৌজিল্লকপা তারবদি পাৎ অসিগী ইকোলোজিকেল বেলেন্স কায়হল্লক্লগনি। কবোকং হায়রিবা পান্থী অসি অতেনবা মতমগী মনুংদা পাক-শন্না হৌরক্তুনা পাৎ নৎত্রগা ৱাটর বোদি অমা শীন-থুংনা হৌজিল্লকপা ঙম্মী। মসিনা মরম ওইরগা পাৎকী ঈশিংদা নুমিৎকী মঙাল অমসুং ওক্সিজেন ফংবা ঙমদবনা পাৎতা লৈরিবা ঙা অমসুং অতৈ পান্থী মখলশিং শিহন্নবগী মচাক ওইরকই। কনাগুম্বনা কবোকংবু শাদা পীজনবা মচিঙ্গাক ওইনা শীজিন্নবা য়াওই। থৌওং অসি কা হেন্না খূদোংথিনিংঙাই ওই। করিগুম্বা ঙানু-য়েন অমসুং শা মখল খরদা কবোকং পীজবা মতমদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা পোৎলম কয়া য়াওখিবা মরমনা হায়রিবা ঙা নৎত্রগা শা অদু চারুবা মীওইশিংগী হকশেলদা খূদোংথিনিংঙাই ওইহল্লকই। সাইন্টিফিক ওইবা পাম্বৈ অমা শীজিন্নদুনা কবোকং হৌহন্দনবা থৌরাং অমা লৌখৎপগী তঙাইফদবা ওইরে ফোঙদোরকখি।

পাউচে অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ লাইফ সাইন্সেস বোটনিদা পি ঐচ দি স্কোলর ওইরিবা নামৈরাকপম রিকেশনা হায়, কবোকংগী কান্নবা কয়ামরুম লৈতবা নত্তে। ঈশিংদা য়াওবা হেভি মেট্টল অমদি অমোৎপশিং কবোকংগী মরাদা চূপশিনবা ঙম্মী। অদুবু পাৎকী মফম শিনবা কবোকং হৌজিল্লকপনা, পাৎ অসিগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা কোম্মীরৈ হৌবা ঙমদবগী ফিভমদা লৈরে।






| NAME OF THE POST | STANDARD | QUALIFICATION | STARTING SALARY |
|---|---|---|---|
| Physics Teacher | XI - XII | Post Graduate | ₹ 23,500/- |
| Chemistry Teacher | XI - XII | Post Graduate | |
| Biology Teacher | XI - XII | Post Graduate | |

* Desirable : Teaching Experience in Std. XI - XII for atleast two years

How to Apply: Interested candidates may submit their resumes along with their academic credentials and relevant documents at the school office, Campus 1, Uripok Bachaspati Leikai, Imphal, from 22/05/2026 to 25/05/2026 between 8:30 AM and 1:00 PM.

# চয়োলগী ৱাশি ফল

**তাং ২৫-০৫-২০২৬ তগী ৩১-০৫-২০২৬**

আচার্য্য অহমভিজিৎ সাইরোম
শিক্ষা গুরু
দি এষ্ট্রোলোজিকেল কোচিং সেন্টর,উরিপোক য়াম্বেম লৈকায়,
লেন নম্বর ৫, ইম্ফাল ৱেষ্ট

মেষ – চয়োল অসি কান্নজবা ওইজ-ওইথক ফংফম য়ামগদৌরি, অদুবু চৎনবা মফমসু য়ামগদৌরি। তিন্নবা শঙ্গ- অমদি শাগৈ নাতৈগী মরিদি ফত্তে, করিসু নত্তবা ৱাহৌদগী মুক্লগদৌরি। তাং ২৯ গী মতুং পূক্লিং লৈতারগনি। হকচাং অশোক অপন থোক্তনবা চেকশিনবীয়ু।
পাখঙ- লৈশাঃ মীৱা লৌবদগী মুক্লগদৌরি।
ঙাকথোকচবা ঃ থোইদিং অমুবা, লৈ অঙাংবা ৩।

বৃষ – চয়োল অসি পূক্লিং ৱাখল লৈতাজবা, ইমুং মনুং শান্তি লৈবা, পন্দুনা লৈবা শেঞ্জাও ফংজবা, সনা-লুপা অরু অহেন লৈতেংগী পোৎলম লৈশিনবা, মরুপ মপাংগী মতেংদগী অনৌবা থবক পায়বা ফংজবা পীরি। তাং ২৮ দি মী ফত্তবশিংদগী চেকশিল্লু, ইকাইবা নংবা লৈ।
লৈশা পাখঙঃ পূক্লিংবা খঙবীবা লৈ।
ঙাকথোকচবাঃ চেঙ মচং, লৈ নাপু ৩।

মিথুন – তাং ২৫ দগী ২৯ ফাওবদি শেন্থোক লম্বী ফগৎচবা, মীংচৎ ফংবা, লম-তু কোয়বা, অঙন্বগী মতেং ফংজবা পীরি। মীয়ামগী মতেংদগী অরুবা থবক থৌরম পাঙথোকপা, মীংচৎ ফংগদৌরি। মতুং অয়েৎ-অকায় খরা লোয়নগনি। হকচাং মবুক মরিল তাওবা লৈ।
লৈশা পাখঙঃ অনৌবা মরুপ মপাং থেংনগদৌরি।
ঙাকথোকচবাঃ ঘী, হৈরম ৩।

কর্কট – তাং ২৫ দগী ২৮ ফাওবদি হার্দৱেয়রগী থবক তৌবশিংদি থোইদোক্লা পোৎশিৎ ফবা, গাড়ী লম-তু লৈশিনগদৌরি। মরুপ-মপাংগী মফম ফগৎপা ৱাখল বুদ্ধি থোকপা পীরি। মতুং চাং অমদা কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখঙঃ অহল লমন্না চানবীবা, নিংজবা থুংগনি।
ঙাকথোকচবাঃ লৈরম ৫।

সিংহ – চয়োল অসি ঙা চাক্কী করবার তৌবশিংদি মহয় লিকই, কোক শাবা মীৱা তাবা থবক থৌরম লোয়নগদৌরি। ইমুং মনুং মোৎ তিন্নদবা, অঙাং অঙাং খরা চাউনবা পীরি। তাং ২৮গী মতুং অফবা অহোংবা কান্নজবা ফংবা লৈ। হকচাং ঈশিং য়াফম মরিগী নুংঙাইতবা পীরি।
লৈশা-পাখঙ ঃ অনৌবা মরুপ মপাং ফংগদৌরি।
ঙাকথোকচবাঃ থোইদিং অমুবা, জাকুশুম অঙাংবা ৩।

কন্যা – তাং ২৫ দগী ২৭ ফাওবদি, কলক য়েংথিবা মীগী মশিং য়ামগদৌরি। য়েক্লবগী লাংদা থুদনবা চেকশিনজবা, তুংগী অফবনি। তহা তহানা থবক তৌরবদি মাঙজবা লৈ। শেল চৎনবা মফম য়াম্মী। মতুংদি মীনা লাকচবা ঙমদবা, থবক তৌবদা মঙম শানবা পীরি। হকচাং কোক মীৎ খরা নুংঙাইরোই।
লৈশা-পাখঙঃ থাজনবা ৱাৎপা লৈ।
ঙাকথোকচনবাঃ চেঙ মচং, হৈরম ৩।

তুলা – চয়োল অসি উহৈ-ৱাহৈ অথুম অহাওগী থবক তৌবশিংদি শেন্দোং য়ামদে। শেল্লেপদি মাঙলোই, চানবীবা মীগী মশিং য়ামগনি। তাং ২৯ দি লম অরাপ্পা চৎকদৌরি। অনৌবা থবক হৌবা তুংগী পোরম য়াৎপা ঙমগনি। চাবা থকপা হাওগনি। হকচাং খ্বাংগী অনা অয়েক লোয়নগনি।
লৈশা-পাখঙঃ মচাক মরল লৈতেংগী পোৎলম ফংগদৌরি।
ঙাকথোকচবাঃ শঙ্গোম অনৌবা, ঘী।

বৃশ্চিক – চয়োল অসি শেল থুম শান্দোকপগী থবক তৌবশিংদি অমাঙ অতা খরা থোক্কদৌরি। থবক তৌবদা পাঙ্গল থোকপা য়াদবা, খোইরাং খোইশাওনবা পীরি। চানিং থক্লিংবা পোক্লোইদৌরি। তাং ৩০ দি অয়েৎ অকায় মশিং হন্থবা, কান্নজবা, ওইজ-ওইথক ফংবা পীরি।
পাখঙ লৈশাবীঃ মরুপনা অচৌবা মতেং পাংলক্কদৌরি।
ঙাকথোকচবাঃ হৈরম ৩, থোইদিং অমুবা।

ধনু – তাং ২৫দগী ২৯ ফাওবদি ঈশিংগী করবার তৌবশিংদি শেন্দোং য়াম্মী, লৌ ইঙ্খোল লৈশিনগদৌরি। ইমুংগী ইখা থাবশিংগী হকচাংদি পাংদে, অনা অয়েক্তা শেল চৎপা লৈ। তূম্বা য়াদবা, পাঙ্গল শোন্থগদৌরি। মতুং চাং অমদা লৈগনি।
লৈশা-পাখঙ ঃ পূক্লিং ৱাখল লৈতাজবা পীরি।
ঙাকথোকচবাঃ লৈ অঙৌবা ৩, ঘী।

মকর – চয়োল অসি শা ঙাগী থবক তৌবশিংদি ৱাবনা হেনবা, মহয় লিক্কদৌরি। শেল থুমগী মরিদা ৱাই চিনবা থবক থৌরম থেংনবা পীরি। অনৌবা থবক পায়খৎপা, শেন্দোং য়ামদে, চয়েৎনবা লৈ। মীগী মতেং মপাল ৱাৎপা পীরি। তাং ২৮ দি অনৌবা মায়ওন অমা লাকপা লৈ। হকচাংগী ওইনদি নাগী পাংদবা লোয়নবা লৈ।
লৈশা-পাখঙঃ নিংজবা মপা থোক্কনি।
ঙাকথোকচবাঃ হৈরম ৩, শঙ্গোম অনৌবা।

কুম্ভ – তাং ২৫ দগী ২৮ ফাওবদি জ্বেল্লরিগী থবক তৌবশিংদি পোৎশিৎ চৈশিৎ ফবা, ৱাখল বুদ্ধি থোকপা শেমগৎ-শাগৎপদা মপুং ফাবা পীরি। মীনা থাজবীবা মীংচৎ ফগৎচবা লৈ। হকচাংগী ওইনদি তাং তাংদা চিকপা শাবা লৈ।
লৈশা-পাখঙ ঃ থাজনবা লৈ।
ঙাকথোকচবাঃ থোইদিং অমুবা, অপ্রজিতা হিগোক ৩।

মীনা – চয়োল অসি পাঙথোক্কে নিংবা থবক পাঙথোকপা, লম-তু কোয়বা, ,চাবা থকপদা হাওবা, অঙন্বনা চানবীবা, মীয়ামগী থবক্তা মায় পাকচবা, মীংচৎ ফংবা পীরি। অনৌবা প্রোজেক্ট পায়খৎপা অৱামল লেন্না মাঙলোই। হকচাংদি নুংশং খরা লৈ।
লৈশা-পাখঙঃ মচাক মরল চাউখৎপা লৈ।
ঙাকথোকচবাঃ হৈরম, লৈরম ৩






## MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY SECRETARIAT

**NOTIFICATION**

*Imphal, the 22nd May, 2026.*

***No.01/02(05)/2026-LA(E):*** Applications are invited from the intending candidates for direct recruitment to the following posts in the Manipur Legislative Assembly Secretariat on regular basis. The number of the posts may be increased or decreased subject to availability of vacancies from time to time.

**1. 17 (Seventeen)) posts of Driver:**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | UR | ST | OBC (Meitei) |
|---|---|---|---|---|---|
| Rs. 5,200-20,200/- & G.P. of Rs.1,900/- (level-3 of ROP-2019) (Group-III) | i) Class X passed<br>ii) Driving licence with experience for (at least 3 yrs.)<br>iii) Sober habits, sound health and good eye sight. | i) Knowledge of Motor Mechanic.<br>ii) Knowledge of English, Hindi & Manipuri. | 10 | 5 | 2 |

**2. 18 (eighteen) posts of Mali:**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | UR | ST | OBC (Meitei) |
|---|---|---|---|---|---|
| Rs. 4,440-7,440/- & G.P. of Rs. 1,650/- (level-1 of ROP-2019) (Group-IV) | i) H.S.L.C. Passed | i) Knowledge of English, Manipuri and Hindi.<br>ii) Practical knowledge of gardening. | 10 | 5 | 3 |

**3. 24 (twenty-four) posts of Sweeper:**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | UR | ST | OBC Meitei | OBC (Meitei Pangal) |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Rs. 4,440-7,440/- & G.P. of Rs. 1,650/- (level-1 of ROP-2019) (Group-IV) | i) H.S.L.C. Passed | i) Knowledge of English, Manipuri and Hindi. | 13 | 7 | 3 | 1 |

**4. 19 (nineteen) posts of Multi-Tasking Staff (MTS):**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | UR | ST | OBC (Meitei) |
|---|---|---|---|---|---|
| Rs. 4,440-7,440/- & G.P. of Rs. 1,650/- (level-1 of ROP-2019) (Group-IV) | i) H.S.L.C. Passed | i) Knowledge of English, Manipuri and Hindi. | 11 | 5 | 3 |

**N.B. Age Limit for the posts as mentioned above**:- (i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST and 3 yrs. for OBC candidates) (ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/ Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post /service who belong to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i).

***Terms & Conditions:***

1. Application forms will be available at the Banquet Hall, Manipur Legislative Assembly Secretariat, Chingmeirong on payment of ₹500/- (Rupees five hundred) only for unreserved/ OBC candidates and ₹300/- (Rupees three hundred) only for SC/ST candidates from **27/05/2026 to 30/05/2026** and duly filled-in forms shall be submitted from **01/06/2026 to 03/06/2026** during office hours at the said venue.
2. Date and time of issue of admit cards/written test/interview/viva-voce will be notified later on.
3. Scheme of examination for direct recruitment to the above listed Group-III and IV posts shall be as per the State Government which is in compliance with the Extraordinary Gazette No. 166, dated 20/09/2021.
4. Decision of the authority as to the eligibility or otherwise of the candidates will be final.
5. This notification may be cancelled at any time without assigning any reason thereof as per decision of the authority.
6. Detailed information can be had from the office of the undersigned during the office hours.
7. There shall be relaxation of upper age limit for those who have the experience of working in the Assembly Secretariat or any Govt. Department/ Organisation/ Institution to the extent of number of year(s) they have served on regular basis or contract/causal basis.

*Sd/-*
**(G. Tapankumar Sharma)**
*Addl. Secretary (Admn.),*
Manipur Legislative Assembly.

*WK/18/(B)ASSEMBLY/23-25 MAY*





COMPETITIVE SUCCESS ACADEMY
(A Co-educational Higher Secondary Affiliated to COHSEM)

ADMISSION OPEN
FOR CLASS XI SCIENCE 2026-27

| | |
|---|---|
| 10CGPA- | Free Admission + Free Installment + Free Coaching (Hostel) +Free Transportation + NEET/JEE Course (2year) + Text Book Grant + Uniform + Mess Fee |
| 9.5 and above- | Free Admission + Free Installment + Free Coaching (Hostel) +Free Transportation + NEET/JEE Course (2year) + Text Book Grant + Uniform |
| 9 and above | Free Admission + Free Installment + Free Coaching (Hostel) + NEET/JEE Course (2year) |
| 8.5 and above | Free Admission + Free Installment + Free Coaching (Hostel) |
| 7.9 and above | Free Admission + Free Text Book Grant |
| 7.37 and above | 50% Admission less |

SPECIAL FEATURES
➔Separate hostel facilities available for both boys & girls
➔School bus and van service available for different routes
➔Facility for Medical & Engineering available Powered by Extramarks Education

FREE ADMISSION FOR THE FIRST 50 STUDENTS

FOR MORE DETAILS +916009201713 / +917005745945 / +919362270619
Office Timing: 09:00am to 3:30pm (Sunday- 10:00am to 2:00pm)
Uripok Khoisnam Leikai, Kangchup Road. Imphal West, Manipur


## মীতৈ চনু

ঃ মোইরাংথেম তোন্দোম্বা

ভারতকী নোংপোক চীদাইদা
ঙাল্লুকো নঙদি শজিক থাবাগুম
লম্মুক্লরিবশিংগী লম্বী তাক্কুনা।
মণিনি নঙদি মণিপুরগী
অশেংবা মমোল্লোইনি ইমা মাগী
থৌনা-ফবী, অখাঙ কনবী,
লীঙজেল লৈবী।
শারবা কালেনগী মৈশারক্তা
অকনবা নুঙ্গাই, লৈতঙ্গাই, নমহৎতুনা
শাৎলকউ লৈপাক্লেগুম মালেম
লৈমাইথক্তা।
লমজিংলকউ নঙনা তোল্লবশিংবু
মঙাল মৈরা থাউমৈ ওইদুনা,
জাতিসিগী তুংগী মীরোলগীদমক।
হৌদোক্লমউ নঙনা অতুম্বা নোংশা
পাঙহল্লমউ মীৎ, শান্তিগী লম্বী।
য়েংলিনে নঙবু, লাইরেম্বী ইমানা,
কৌরিনে নঙবু কংলৈপাক ইমানা,
'খল্লি, মতম খুদিং নঙগীদমক।
কপ্লি অহিং খুদিং পীরোইননা,
মীৎলু পীরাং কংদনা,
ইমা কৈথেল লাইরেম্বীনা
মীৎলু পীরাং কংদনা,
ইমা কৈথেল লাইরেম্বীনা।

## তৌরিবসিবু করিনো

ঃ ইরোম মোবি

তোৎলে মেৎলে নোইরে
ফুৎলে লোল্লে
মশক থোক্লে ফজরে
লম্বীদা থোরক্লে
কোইনা চৎলে
ফারে পুল্লে
মৈ থারে পোৎলোইরে
মৈখু কারে নমথিরে
মরালবু করিনো?

## খোঞ্জেলসে

ঃ রাজকুমারি মীনা

চাকখৎলদুনা লৈরি মাঙদদি
মৈরীনা মরৈ লখা তন্না
লমদমসিগী মফম শীনথুংনা
কোয়শিল্লদুনা মমশিল্লি অমুবা মৈখুনা
মায়কৈ পুম্বদা তৌগদবসি করিনো
পুন্নমক চপ মান্নে থৌদোক অমত্তনি
খোঞ্জেল অমত্তনি মশক অমত্তনি
নোংথাং কুপ্পনি
অখাক-অরাওগা লোয়ননা

খল্লুবগী করি কান্নবা লৈরিবগে
হিংবগী হক মাঙশিল্লক্লবা মতমসিদা
কংলৈপাক্কী লৈঙাক্লোনগী অতিয়াদা
য়েংদবদি ঙমদে উদবসু ঙমদে তাদবসু ঙমদে
মসিদনি ঐগী অৱাবা ৱ
াখল ওইরিবা
য়েংবদা থম্মোয় শোকই
তপথবা ঙমদে
থোৎ নৌখ্রবা কয়া
নীংজবা অশা শাগৎচরক্লিবা
পুন্সিগী লম্বী চৎপা
হৌরকপদা ঙাইরক্লিবা
নহাশিংদা অসিগুম্বা
চৈনাখোলগী মরোইশিন
মরাইবক্তা তমখ্রবনি
ককপা ঙম্লরোইদবনি
পাউখুমসিনা ঐহাকপু
পেলহনবা ঙমখিদে
চপ চাবা পাউখুম থীরি ঐহাকসু
শরক য়াংবীদা তারিবা
নহাশিংগী শকফম
ৱাখল চেকপল মনুংদা
খঙদ্রে লাক্কদ্রা করিগুম্বা অমুক্কী মপোক্তা
ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম
নহাক্লসু নৈহৎপা নহাক্লসু শেন্বা
মীনুংশি খঙদবা থম্মোয় পান্দবা
হে ! যুগসিগী শকফম লৌরিবা।

## কনাসু হায়বা ঙমদে

ঃ শান্তিকুমার হুইদ্রোম

ডাক্তরসু শি
মাইবসু শি
নিংথৌসু শি
মীচমসু শি
শিদবা অমত্তা লৈতে।
মীওইবা পুন্নমক
লোইনা শিগদবা ঙাক্তনি
অহলসু শি
অঙাংসু শি
শিবগী চহী অকক্লবা লৈতে
নিপা ওইরবসু নুপী ওইরবসু
মীচং মীখায় নাইবা
অহান- অকোনগী ৱাবু
কনানা হানগনি
কনানা কোনগনি
হায়বা ঙম্বা নত্তে
করিসু তৌদবা অকনবনা শিরগা
মশা শোল্লবা অনাবনা হিংহৌবা
নখোয় ঐখোয় থেংনরবা নত্তরা
অদুনবু অশেংবা শিবগী মতমবু
কনাসু হায়বা ঙন্নদে।


Quantum UNIVERSITY
ROORKEE, INDIA
The No. 1 Educational Institution of North India

ADMISSIONS 2026
- MBA / BBA / BBA+MBA
- B.Tech (CSE) with specialisation in Data Science / AI-ML/ Cyber Security / Full Stack / Cloud Computing
- B.Tech (ECE) with specialisation in Semiconductor
- BCA / MCA
- B.Com / B.Com (Accounting & Taxation)
- B.Sc (PCM/CBZ/Biotechnology)
- BMRIT (Bachelors in Medical Radio & Imaging Technology)
- BMLT (Bachelors in Medical Laboratory Technology)
- BPT (Bachelors of Physiotherapy)
- BHM (Bachelors in Hotel Management)
- B.Sc (Nutrition & Dietetics)
- M.Sc / B.Sc (Agriculture)
- BA LLB / BBA LLB


and many more ...

QUANTUM - Extraordinary things happen here !
100% Placement Assistance
Over 200 students studying from North East India
**300** Companies Visited | **672** Placement Drives
Highest **33.5 Lac** Salary Packages
Arts | Music | Sports | Theatre | Photography | Placement Support Group
Community Service | Creative Writing | Debate | Literary Society

www.quantumuniversity.edu.in
+91 9366040075
Sagolband Tera Sayang Leirak Machin, Near Kebol School
Imphal West - 795001
Apply Now
Scan the QR Code


## য়ু পি এস সি একজাম

**ইম্ফাল মে ২৫(ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট পূম্নমক্তা ঙসি য়ুনিয়ন পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (য়ু পি এস সি)না লৌবা সিভিল সার্ভিসেস প্রিলিমিনরি একজাম পাঙথোকখ্রে।



Owned, Published & Edited by **Ningombam Hemantakumar** & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. **9856088733**